# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 16-04-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী শেল খায়বা অমসুং কিহন খঙহনবদা চেন্নবনি হায়বা লালহৌলুপশিংগী মীওই ১১ ফারে।

২) চান্দেলগী দিপ্যুতি কম্মিসনার এল. নন্দকুমার সিংহনা হায়রি- মহৈরোইশিংনা মমা মপা অমসুং ওজাশিংগী পাউতাক লৌদুনা লাইরিক লাইশুদা মীথোই মীহেন্নবা হোৎনগদবনি।

অমসুং

৩) অৱাং নোংপোক লমদমগী লৈজরিবা মগুনশিং মালেমগী লৈবাকশিংগী লৈঙাকশিংদা নিংথিনা খঙহন্নবা মপান থৌরম মন্ত্রি ডাঃ এস. জয়শঙ্করনা ভারত্তা লৈরিবা মীরৈবাক্কী ইনভোইশিংদা তকশিল্লি।

------

পুলিস (এল) ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী শেল খায়বা অমসুং কিহন খঙহনবদা চেন্নবনি হায়বা লালহৌলুপশিংগী মীওই ১১ ফারে।

মণিপুর পুলিসকী পাউনা হায়- থৌবাল জিলাগী হৈরোক পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা শলুংফম মমাং লৈকাইদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা অচৎ অওকশিং চ্যেক তৌবদা কে.সি.পি (অপুনবা সিতি মৈতৈ)গী মীওই মরি ফারে। ফারবা মীওইশিং অদুদগী মেগজিন য়াওবা পোইন্ট ৩২ গী পিষ্টোল অমা, হেন্দ গ্রেনেদ ৩, মোবাইল হেন্দসেট

৫, চাকা মরি পানবা গাড়ি অমা অমদি চাকা অনি পানবা গাড়ি ১ ফাগৎপা ঙমখ্রে। মখোয় থৌবাল জিলাদা লৈবা বেঙ্ক, চেক্কোন, স্কুল, কলেজ, ওইল পম্প, দুকান, ষ্টোন ক্রসর অমদি কোন্ট্রেক্তর য়াওনা মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বদা চেন্নবশিংনি হায়রি।

অমরোমদা, মণিপুর পুলিসনা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ৱাইথৌ চিরুদগী আইন্না থিংখ্রবা লুপ- সোরেপাগী মীওই অহুমসু ফারে। মীওইশিং অসি য়াইরিপোক্তা লৈবা স্কুলশিংদগী নমদুনা শেল খায়বদা চেন্নবশিংনি হায়রি। মখোয়দগী মোবাইল হেন্দসেট ৩, চাকা অনি পানবা গাড়ি অমা অমদি অতৈ পোৎলমশিং ফাগৎলে হায়রি।

লমফেল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা কোন্থৈরে হাউজিং কমপ্লেক্সতগী কে.সি.পি (নোংদ্রেন খোম্বা)গী মীওই অমা ফাগৎপা ঙমখ্রে। মহাক ইম্ফাল এরিয়াদা অকি অখঙ থোকহনবা অমদি শেল খায়বদা চেন্নবা মীওইনি হায়রি।

তেংনৌপল জিলাগী মোরে পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা বোর্দর পিল্লর নম্বর ৮১, সব পিল্লর ৩ মনাক্তগী য়ু.এন.এল.এফ (কে)গী মীওই অহুম সেন্ট্রেল সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফারে হায়রি।

চান্দেল (এল) ঃ চান্দেলগী দিপ্যুতি কম্মিসনার এল. নন্দকুমার সিংহনা হায়রি- মহৈরোইশিংনা মমা মপা অমসুং ওজাশিংগী পাউতাক লৌদুনা লাইরিক লাইশুদা মীথোই মীহেন্নবা হোৎনগদবনি।

চান্দেলগী মন্ত্রিপন্থা মোদেল রেসিদেন্সিয়েল স্কুলগী ঙরাং পাঙথোকখিবা মপোক কুমওন থৌরমদা শরুক য়ারদুনা দিপ্যুতি কম্মিসনারনা হায়- মচাক মথুম নিংথিনা লৈরবা স্কুল অসিদা মহৈরোইশিংনা নিংথিনা মহৈ তম্বগী খুদোংচাবা কয়া পীরি। মহাকা হায়- মহৈ মশিং তন্নিঙৈ মতমদা তুংগী পুন্সিদা মতিক চাবা মীওই অমা ওইরকবগী য়ুম্ফম নিংথিনা থোনদুনা কন্না হোৎনগদবনি। থোমাস অলভা এদিসনদা মায় পাক্লবা পুন্সি অমা ওইখিবগী ৱারী নিংশিংলদুনা দিপ্যুতি কম্মিসনারনা হায়- হোৎনবা কনবা অমসুং মীথোই মীহেনখিবা মীওইশিংগী পুন্সি ৱারী নৈনদুনা ঐখোয়সু মায় পাক্লবা পুন্সি অমমম ওইনবা হোৎনগদবনি।

ঐখোয়গী পাউমীনা হায়- কুমজা ২০২৪ গী জনুৱারি ১৫ দা মতম অদুগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা শঙ্গাখিবা মোদেল রেসিদেন্সিয়েল স্কুল অসিদা ক্লাস সিক্সতগী টেন ফাওবা লৈ। হায়রিবা স্কুল অসিদা পুন্না মহৈরোই ১১৬ মহৈ তন্লি।

সেনাপতি(এল)ঃ চহি অসিগী এপ্রিল অমদা ক্বালিফাইয়িং দেদ ওইবা তাদুবী বিধান সভা কেন্দ্রগী ইলেক্তোরেল রোল ফোংলে।তাদুবী বিধান সভা কেন্দ্রগী মরক্কী মীখল পাঙথোক্কদৌরিবা অসিগী য়েংলগা ইলেক্সন কম্মিসননা ফোংলিবা ইলেক্তোরেল রোল অসিদা মিং হাপচন্নিংবা নৎত্রগা য়েৎনিংবা লৈরবদি থা অসিগী ২৪ ফাওবদা ৱাকৎলকপা য়াগনি। বুথ লেবেল ওফিসারশিং নত্রগা এসিষ্টেন্ট ই.আর.ওশিংগা উন্ননবসু ইলেক্তোরেল রেজিষ্ট্রেসন ওফিসারনা খঙহল্লি।

জয়শঙ্কর ঃ অৱাং নোংপোক লমদমগী লৈজরিবা মগুনশিং মালেমগী লৈবাকশিংগী লৈঙাকশিংদা নিংথিনা খঙহন্নবা মপান থৌরম মন্ত্রি ডাঃ এস. জয়শঙ্করনা ভারত্তা লৈরিবা মীরৈবাক্কী ইনভোইশিংদা তকশিল্লি।

নোর্থ ইষ্ট ইনভেষ্টরস সম্মিৎ ২০২৫ গী মাংওইননা ভারত্তা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংগী রাষ্ট্রদুতশিংগা ঙরাং পাঙথোকপা মীফম অমদা ৱা ঙাংলদুনা ডাঃ জয়শঙ্করনা হায়- অৱাং নোংপোক লমদম অসি ভারতকী থৌশিল কয়াগী মরুওইবা লমদম অমনি। হায়রিবা লমদম অসিগা মরী লৈননা এক্ট ইষ্ট অমসুং বিমস্তেকনচিংবা থৌশিল কয়া চত্থরি। লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীরৈবাক্কী রাষ্ট্রদুতশিংনা অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংগী মতিক মগুন অমসুং ফজবা কয়া মখোয় মখোয়গী লৈবাকশিংগী লৈঙাকশিংদা নিংথিনা খঙহন্দুনা চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং হেন্না পায়খৎহন্নিংবগী অপাম্বা ফোংদোকখি। মহাকা হায়- অৱাং নোংপোক লমদম অসি তোঙান তোঙানবা লৈবাক ৫ গা য়ুমলোন্নরি অমসুং মসিনা ভারত উপ-মহাদেশকা অসিয়ান লৈবাকশিংগগী মরক্তা ফাওনবগী থোং ওইরি। ভারতনা লৈবাকশিং অসিগা হেন্না ফবা মরী থমবগী পান্দমদা ত্রাইলেটরেল হাইৱে অমসুং কলাদান প্রোজেক্টনচিংবা থবক কয়া পায়খৎলি হায়নসু ডাঃ জয়শঙ্করনা মখা তানা ফোংদোক্লি।

লন্বী ঃ কেন্দ্রগী রোড, ত্রান্সপোর্ট এন্দ হাইৱেজ মন্ত্রি নিতিন গদকারিনা হায়রি- লৈবাক অসিদা হাইৱেশিং শেমগৎপগী থবক নোংমদা কিলোমিতর ১০০ গী চাং য়ৌহনদুনা লৈবাক অসিগী মচাক মথুমশিং শেমগৎপগী থবক খুমাং চাওশিন্নবা কন্না হোৎনরি।

ওল ইন্দিয়া মেনেজমেন্ট এসোসিয়েসনগী ১০ শুবা জাতি থাক্কী লুচিংবশিংগী মীফমদা ৱা ঙাংলদুনা শ্রী গদকারিনা হায়- লাক্কদৌরিবা থা ১৮ গী মনুংদা লৈবাক অসিদা লন্বীশিং শেমগৎপগী থবক অসি আমেরিকাদা শেমগৎলিবা চাং অসিদগী হেনগৎলগনি।

হাইৱেশিং শেমগৎপগী চাং অসি কুমজা ২০২০-২১ দা নোংমদা কিলোমিতর ৩৭ কী চাং য়ৌখ্রবনি। লৈবাক অসিগী কোনুং ওইরিবা নিউ দিল্লিগী অকোইবগী লন্বীশিং শেমগৎনবা খক্তগী ওইনা লুপা কোতি লাখ ১ কাইথোক্তুনা থল্লে। মসিগী মথক্তা মেত্রো পোলিতান এরিয়াশিংদা লন্বী চৎথোক চৎশিনদা চিনবগী চাং হন্থহন্নবা থৌশিল থৌরাং কয়াসু পায়খৎলি।

পাকিস্তান ঃ ৱাকফ এমেন্দমেন্ট এক্টকী মতাংদা পাকিস্তান্না য়ুম্ফম য়াওদবা ৱাফম কয়া ফোংদোক্তুনা লান্না লমজিংনবা হোৎনরি হায়না ভারতনা য়ামা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোকখ্রে।

ৱাকফ বিলগী মতাংদা পাকিস্তান্না ফোংদোরক্লিবা ৱাফমশিংগী মতাংদা পাউমীশিংনা হংবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা মপান থৌরম মন্ত্রালয়গী মচিন চৎপা মীশক রন্ধির জৈসৱালনা হায়- লৈবাক মনুংগী ওইবা ৱাফমদা পাকিস্তান্না খুৎ থিংজিনদুনা ৱা ঙাংবা হায়বসি তৌফম থোক্তবা অমনি। পাকিস্তান্না অসিগুম্বা থৌওংশিং চথবগী মহুৎতা লৈবাক অদুদা লৈরিবা মশিং য়ামজদবা কাংলুপশিংবু নিংথিনা ঙাকপী শেনবীনবা হোৎনবদা হেন্না চুম্বা খোঙথাং ওইগনি হায়নস্ শ্রী জৈসৱালনা মখা তানা ফোংদোকখি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

আই.এন.এদা ৮১ শুবা ফ্লেগ হোষ্টিং ডেগী থৌরম পাঙথোক্কখ্রে। মোইরাং অসি মণিপুরগীদি কলচরেল কেপিটেল অমা ওইরে ঃ গভর্নর ভল্লা হায়বা পাউনা সনালৈবাক পাউচেগী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

মণিপুরগী শেঙ্গা, কৌনা ক্রাফট অমদি লিক-কোন জি.আই. টেগ ফংলবা য়াই হায়বা পাউ অমা শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুর ইদিসনগী এনকর কলমদা ফোংলি।

পিপলস ক্রোনিকলদা- চহি অনিগী মতুংদা শিরুই ফেষ্টিভেল মেগী তাং ২০ দগী হৌরগনি হায়না ফোংলি।

ঙরাংদগী সিঙ্গল য়ুজ প্লাষ্টিক শিজিন্নবদা অথিংবা থমখ্রে হায়বা পাউ অমা পোক ফমগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

ওল মণিপুর ৱার্কিং জরনেলিষ্ট য়ুয়িনগী ২০২৫-২৭ কী ইলেক্সন মে ১ দা পাঙথোক্লগনি হায়বা পাউ অমা ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

মণিপুরগী শকাইরবা খুনুং ঈশৈ শৈশকপা গোসে মৈতৈ লৈখিদ্রে হায়বা পাউ অমা ঈচেল এক্সপ্রেসতা অনিসুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

নাগালেন্দগী চীফ মিনিষ্টরনা রুফ টোপ সোলর মিসন হৌদোকখিবগী পাউ অমা মণিপুর মেলদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

কছারগী লেংওনদবী পাৎকী শক্তম কন্নবা পায়খৎপা য়াবশিং পায়খৎকনি ঃ সত্যবর্তা হায়বা পাউ অমা নহারোলগী থৌদাংদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

ইম্ফালদা নেসনেল ফয়ার ৱিক হৌদোকখ্রে, ফয়ার ফাইটরশিংগী থবক য়ামা মরুওই ঃ ভেটো হায়বা পাউ অমা হুইয়েন লানপাউদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

মণিপুর পোল্লুসন কন্ট্রোল বোর্দনা সিঙ্গল য়ুজ প্লাষ্টি থিংবগী শরুক অমা ওইনা থঙ্গাল বজারদা দ্রাইভ চথখ্রে হায়বা পাউ অমা শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদা অহানবা পাউ ওইনা ফোংলি।

চুরাচান্দপুরগী শঙাই য়ুনিভর্সিতি রিলিফ কেম্পতা লৈবা আই.দি.পিশিংদা অসাম রাইফলসনা তেংবাংগী পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে হায়বা পাউ অমা মোর্নিং বেলদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

তৌসেম এরিয়া ভিলেজ ওথোরিতি কাউন্সিলনা তৌসেম পি.ঐচ.সি অমদি অবেন পি.ঐচ.এস.সিগী ডোক্তর অমদি মেদিকেল ষ্টাফ লৌননবা মরী লৈনবা ওথোরিতিদা তকশিনখ্রে হায়বা পাউ অমা গানফিউ মেলদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

তেলঙ্গনা সরকারনা কা হেন্না শাবদগী লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী ইমুং মনুংদা ক্ষেতিপুরন ওইনা লুপা লাখ ৪ পীরগনি হায়বা পাউ অমা তেমংলোং টাইমসতা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

ফোর্তি নাইন তদুবি (এস.টি) এসেমব্লি কন্সটিট্যুন্সিগী ই.আর.ওনা ক্লেমস এন্দ ওবজেক্সন থাজিনবগী অরোইবা মতম লাউথোকখ্রে হায়বা পাউ অমা সেনাপতিদা ফোংবা হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

------